**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা অমদি অতোপ্পা হিরমশিংদা ৱারী শান্নখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না রাজ্যগী পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং বিভাগনা পায়খৎলিবা থবকশিং য়েংশিনখ্রে।

৩) মনিপুরদা ঙসি ৫৯ শুবা চাক্লাম খোঙচৎ-হঙ্গর মারচেস ডে পাঙথোকখ্রে।

৪) কোলকাতাদা ঙসি মহৈরোই লুপ কয়ানা পুলিসকা অথিংবা মরক্তা নবন্না অভিয়ান রেল্লি পাঙথোকখি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- হন্দক চহিগী ওইনা ব্রাজিলগী প্রসিদেন্সি মখাদা পাঙথোক্কদবা জি-ত্বেন্তি সম্মিৎ অসি ভারতনা শৌগৎকনি।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা ঙসি রাজ ভবনদা লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা ৱারী শান্নখি।

থৌবাল জিলাগী সেনিয়র এস.পি- রাকেশ বলৱালগা উন্নদুনা থৌবাল জিলাদা ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী মতাংদা রাজ্যপালদা পাউদমখি। মসিগা লোয়ননা শ্রী বলৱালনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিলা অদুগী মীয়ামগী পুন্সিদা অকি অখঙ পোক্তনা লৈবা ঙমবা অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোকপা থিংননবা অখন্ননা পায়খৎপা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু খঙহনখি।

উখ্রুল জিলাগী কিষান মোর্চাগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মায়োনপম গাচুইনা লুচিংবা মোর্চা অসিগী মীওই অহুমনা ঙসি রাজ্যপালগা উন্নদুনা উখ্রুল জিলাগী মীয়ামা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ৱাকৎখি। মখোয়না জিলা অসিদা লম্বী থোং, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, মহৈ মশিং অমদি হকশেলগী লমদা শোত্থনা লৈরিবশিংগী মতাংদা পল্লদুনা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী অসি ফিভম ফত্তনা লৈবা মরমনা জিলা অসিগী মীয়ামগী শেনমিৎলোনদা চাউনা শোত্থহল্লে। মরম অদুনা রাজ্যপালনা জিলা অসিদা লাকপীদুনা ওইরিবা ফিভমশিং অসি হকথেংননা য়েংশিনবীনবা তকশিনখি।

অমরোমদা, মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন (অম্বা)গী ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি রাজ ভবনদা রাজ্যপালগা উন্নদুনা সেপ্তেম্বর ২৯ দা পাঙথোক্কদবা অনিসুবা গভর্নরস কপ বোক্সিং চেম্পিয়নসিপকী লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইবীনবা হায়জখি।

রাজ্যপালগী মাইকৈদগী অম্বাগী ওফিসিয়েলশিংদা লুপা লাখ ১ গী চ্যেক মনা অমা খুৎশিন্নবগা লোয়ননা রাজ ভবননা রাজ্য অসিদা শান্ন-খোৎনবগী লমদা চাওখৎপা পুরকবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌগনি হায়না থাজবা থমখি। মসিগা লোয়ননা অবুদাবিগী অল এন সিতিদা ঙসিদগী হৌরগা সেপ্তেম্বর ১০ ফাওবা চত্থগদৌরিবা এ.এস.বি.সি এসিয়ান স্কুল বোইজ এন্দ গার্লস বোক্সিং চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ারিবা ভারতকী কন্টিঞ্জেন্টতা মণিপুরদগী এন. রোবাস মৈতৈ অমসুং এল. বিন্দিয়া দেবী অনিনা য়াওরকপদা বোক্সর অনিসিবুসু মায় পাকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীরকখি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসি মহাক্কী সেক্রেটরিয়েট ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং বিভাগনা পায়খৎলিবা থবকশিংগী মতাংদা হন্না য়েংশিনখ্রে। মীফম অদুদা বিভাগ অসিনা হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা থবকশিং অমসুং পায়খৎকদবা থবকশিংগা মতাংদা কুপা খন্নখি।

ববিনা (এল)ঃ মীয়াম্বু তিঞ্জং কাইজংদনা অমদি নাদ য়েক্তনা লৈনবগী পান্দমদা নুমিৎ হুমিগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ইম্ফাল ইষ্টকী খাবৈশোইদা ববিনা হোস্পিতালদা ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

অনা লায়েংবগী কেম্প অদু ঙসি অয়ুক পুং ১০ মখায়দগী হৌরগা নুংথিল পুং ৩ ফাওবা পাঙথোকখি। কেম্প অসিদা জেনেরেল মেদিসিন, জেনেরেল সরজরি, ন্যুরো মেদিসিন, ওবসটেট্রিক্স অমসুং গাইনোকোলোজি, এন্দো ক্রিনোলোজি অমসুং পেদিয়াত্রিক্সকী অনাবশিং ও.পি.দি হাংদুনা লেমা লায়েংখি। হকচাংগী তোঙান তোঙানবা অনাবশিং খঙদোকবা টেষ্ট তৌবগী মমল চাদা ২০ হন্থখি অমসুং হিদাক লাংথকশিং লেমা য়েন্থোকখি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা পুন্না মীওই ১৯৫ লায়েংখি।

ববিনা হোস্পিতালনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা কেম্প অসি লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎ ফাওবা চখ্থগনি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরকবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখ্থরি। মণিপুর পুলিসনা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোলদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই মরি খুৎলায়গা কোন্ননা ফাগৎলে। মখোয়দগী কাপ্পা য়ারিবা মরু অমা য়াওবা পিষ্টোল অমা, মোবাইল ফোন মরি, গাড়ি অমা অমসুং শেল খরা ফাগৎখি । ফারবা মীওইশিং অদু তোঙান তোঙানবা নম্বোল মফমশিংদগী মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবশিংনি হায়রি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙরাং মন্ত্রিপুখ্রি গেরিসনদা লৈবা সঞ্জিবানি হোল অমদি থৌবাল জিলাগী চন্দ্রখোংদা ৱিমেন্স ইক্যুলিতি ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা থৌরমশিং অসিদা লমদম অদোমগী নুপী ১০০ রোমা শরুক য়াখি অমদি মখোয়দা নুপীগী থাক ৱাংখৎহন্নবা সরকারনা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিংগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংবগা লোয়ননা দোক্কুমেন্টরি ফিলম উৎখি।

হঙ্গর (এল)ঃ মনিপুরদা ঙসি ৫৯ শুবা চাক্লাম খোঙচৎ-হঙ্গর মারচেস ডে পাঙথোকখ্রে।

মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী পিশুম চীংঙামচাদা লৈবা মেমোরিএলদা পাঙথোকখি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবনা থৌরমগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি। তুংদা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখি।

নীংশিংবা য়াই, ইং কুমজা ১৯৬৫ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মনিপুরদা খুৎশেমগী চাক তাংবগা মরী লৈননা মহৈরোইশিংনা খোঙজং চংশিল্লকপদা মীওই মরি লৈখিদবনি। খোঙজং চংশিল্লিবা মীয়ামবু নমথনবা হোৎনবদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা নবাকুমার, নিলামনি অমসুং প্রমোদিনি থৌদোক থোকফম অদুমক্তদা লৈখিদবনি। অদুগা থৌদোক অদুদা শোকখিবা লাইশ্রম চাউভলনা কোন্না লৈখিদবনি।

নুমিৎ অসি জিরিবামদসু পাঙথোক্লি। অয়ুক অঙনবদগী হৌনা য়াকাইরোল শক্তুনা ইহৌ অসিদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা মৈরা পায়বী, সি.এস.ওশিংগী লুচিংবশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লি। অখণ্ড অহৈশিংনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং নৈনখি অমদি ঙসিগী মীরোলনা লৌগদবা থৌদাং কয়াগী মতাংদসু খন্নখি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী মমাংদা ক্লিনিক হাংলিবা মীওইশিংদা শেনখায় থুমখায় তৌরকপগী মায়োক্তা ঙসি য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালগী অকোইবদা হাংলিবা ক্লিনিক অমদি দাইগোষ্টিক সেন্তরশিংগী প্রোপাইতর অমদি ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি। ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা মরম চাদবা শেলগী দিমান্দ তৌবীগনু, শেনখায় থুমখায় লেপ্পীয়ু হায়না থাবা প্লেকার্দ শিজিন্নখি লোয়নননা খোল্লউ কয়াসু লাউখি।

রিলিফ(এল)ঃ থৌবাল কেন্দ্রদা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা কম্মুনিতি হোলদা লৈরিবা মীওইশিংদা থৌদাম কনবা লুপনা চান থকবা অমসুং নোংমদা চাদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

মৈ (এল)ঃ এম.এস.পি.দি.সি.এলগী ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দ্রাইভ চথবদা নিয়ম কায়না মৈ শিজিন্নরম্বা মীওই ১৭ ফাগৎখ্রে। মদুদা চুরাচান্দপুর দিভজনদগী মীওই অহুম, আই.ই.দি ৱান, টু অমসুং থ্রিদগী পুন্না মীওই ৮, থৌবাল দিভিজনদগী মীওই অহুম, বিষ্ণুপুরদগী অহুম য়াওরি। মখা তানা মৈগী খাজনা থিদবা এল.টি কঞ্জুমর ১৯ গী লাইনসু ককথৎখি। দ্রাইভ অসি মখা তানা চথখিগনি হায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলগী জেনেরেল মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি।

এনপিপি (এল)ঃ মোইরাং ব্লোক্কী ওইনা তোঙান তোঙানবা রাজনীতিগী লুচিংবশিং মরুওইনা লোকেল সেল্ফ গভর্নমেন্টকী মীহুৎ কয়ানা নেসনেল পিপলস পার্তি (এন.পি.পি)দা নৌনা য়াওরকপদা মোইরাং কেন্দ্রগী এম.এল.এ অমদি দল অসিগী লুচিংবশিংনা তরামা ওকখ্রে।

কাংপোকপী (এল)ঃ কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা জিলা অসিদা লৈবা ওসিস কলেজগা খুৎশমরগা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা কলেজ অসিদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা আইনগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

সিসিপুর (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলা পুম্বদা ইমপ্লোয়িজ ষ্টেট ইন্সুরেন্স এক্ট ১৯৪৮ গী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিং খুদক্তগী চৎনবা হৌরগনি হায়না জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি। চেরোল অসিনা মখা তানা ই.এস.আই এক্টকী মনুং চনবা ফেক্তরিশিং নত্রগা তোঙান তোঙানবা ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংনা মখোয় মখোয়গী অকুপ্পা মরোলশিং অদু ইমপ্লোয়িজ ষ্টেট ইন্সুরেন্স স্কিমদা রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা স্কিম অসিনা কোনশিনবা খুৎশুমল ফংলিবা মখোয় মখোয়গী ৱার্করশিং স্কিম অসিদা মিং চন্নবসু খঙহল্লক্লি।

অগিবির (এল)ঃ মণিপুরগী ওইনা অগিবির রিক্রুটমেন্ট দ্রাইভ কাংপোকপী, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং চুরাচান্দপুরদা হয়েংদগী হৌরগা মথং থাগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা সেপ্তেম্বর ৩ দগী ৫ ফাওবা, চুরাচান্দপুরগী ওইনা সেপ্তেম্বর ৯ দগী ১১ ফাওবা অমসুং সেনাপতিগী ওইনা হয়েংদগী থা অসিগী ৩০ ফাওবা রিক্রুটমেন্ট দ্রাইভ অসি পাঙথোক্কনি। খনগৎলবা কেন্দিদেটশিংনা মখোয় মখোয়গী এদমিত কার্দ জোইন্ট ইন্দিয়ান আর্মিগী ৱেব সাইটতগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি।

কোলকাতা ঃ কোলকাতাদা ঙসি মহৈরোই লুপ কয়ানা পুলিসকী অথিংবা মরক্তা নবন্না অভিয়ান রেল্লি পাঙথোকখি। বেঙ্গল পুলিসনা রেল্লি অসি পাঙথোকবগী অয়াবা পীখিদ্রবসু মহৈরোই লুপ- পাসচিম বঙ্গা যাত্রা সমাজ অমসুং সংগ্রামি জোথা সমাজনা আর.জি.কর মেদিকেল কজেলদা ডোক্তর অমবু

ইজৎ মাংহল্লবা মতুং তমথিনা হাৎপগী কেসতা চেন্নবা মীওইশিং ফাবগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি মমতা বেনর্জিবু ফম থাদোকউ হায়না তকশিন্দুনা খোঙজং চংশিনখি। হাওরা ব্রিজ, ফোরেষ্ট সোর অমদি শন্ত্রংগাচিদা পুলিস অমদি খোঙজং চংশিল্লিবা মহৈরোইশিংগা অকনবা মওংদা মুকখি। পুলিসকী মাইকৈদগী তিয়ার গ্যাস অমসুং ৱাটর কেনন শিজিন্নদুনা মীয়াম্বু তানখায়নবা হোৎনখি।

রেল্লি অসিনা মরম ওইরগা রাজ্য অসিদা অচৌবা ইরাং থোরকপা য়াই হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী রাজ্য পুলিসনা রেল্লি অসি পাঙথোকপদা অয়াবা পীখিবনি। পুলিস পার্সোনেল লিশিং ৬ লোম তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থমদুনা ইরাং থোক্তনবা সরকারগী মাইকৈদগী হোৎনখি। রেল্লি অসিগা মরী লৈননা মফম অহে তম্ফমশিং ঙসি ছুতি ওইখি।

সেক্যুরিতিঃ মেদিকেল প্রোফেসনগী লমদা লৈরিবা মীওহশিংগী থবক তৌবগী মওং মতৌ, সেক্যুরিতি অমসুং মখোয়বু অশোয় অঙাম য়াওহনদবগী মতাংদা প্রস্তাব তৌরকবা সুপ্রিম কোর্টনা শেমখিবা নেসনেল টাস্ক ফোর্সকী অহানবা মীফম ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখ্র।

মীফম অদু কেন্দ্রগী কেবিনেট সেক্রেটরিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখি। ঙসিগী মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা কুপা খন্নখি অমসুং মখোয় মখোয়গী মোৎশিং ফোংদোকখি।

কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়গী ৱেব সাইটতা সজেসন্স টু এন.টি.এফ হায়না মীংথোনবা নেসনেল পোর্তেল অমসু হাংদোকখি। পোর্তেল অসিদা লন্নাই মীওইশিং নত্রগা তোঙান তোঙানবা ষ্টেগ হোল্ডরশিংনা মখোয় মখোয়গী ওইবা সজেসনশিং পীরকবসু মন্ত্রালয়না খঙহনখি। মন্ত্রালয়গী মাইকৈদগী লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা লৈরিবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুটসনশিংদা পায়খৎলিবা ঙাক শেনবগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু রিপোর্ট পীখৎলকবা রাজ্যশিংদা খঙহনখি। মীফম অসি হয়েংসু মখা তানা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংবা পাঙথোক্কনি।

টোক্ষ ঃ কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- হন্দক চহিগী ওইনা ব্রাজিলগী প্রসিদেন্সি মখাদা পাঙথোক্কদবা জি-ত্বেন্তি সম্মিৎ অসিদা ভারতনা অঙম্বা থাক্তা শৌগৎকনি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৯ শুবা ইন্দিয়া-ব্রাজিল জোইন্ট কম্মিসন মীতিংদা ৱা ঙাংলদুনা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- ব্রাজিলগী মপান থৌরম মন্ত্রি-মাওরো বিয়েরাগী খোঙচৎ অসিনা ইং ২০০৬ তা হৌদোকখিবা ভারত অমসুং ব্রাজিল লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লগনি। ঙসিগী মীফম অদুদা ভারতকী প্রসিদেন্সি মখাদা মমাং চহিদা পাঙথোকখিবা জি-ত্বেন্তি সম্মিৎকী ওইরকপা য়াবা ফিভম কয়াগী মতাংদসু লৈবাক অনিনা কুপা খন্নখি।

ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- ব্রাজিলনা মালেমবু অমত্তা ওইবগী মীৎয়েংদা পায়খৎলক্লিবা তোঙান তোঙানবা থবকশিংবু ইকায় খুমবা উৎফম থোকই।

ঙসিগী মীফম অদুদা লল্লোন ঈতিক খক্তা নত্তনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদসু লৈবাক অনিগী মরক্তা অফবা মরী থমবা থবক কয়া পায়খৎনবসু য়ান্নখি।

এসসি ঃ দিল্লি লিকর পোলিসি কেসকা মরী লৈননা শেঞ্জা থুমজা অমদি শেল থৈদোকপগী থবক্তা চেন্নে হায়বগী মরালদা ফাখিবা ভারত রাষ্ট্র সমিতি (বি.আর.এস)কী লুচিংবী কে. কবিতা ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা বেল পীখ্রে। জষ্টিস বি.আর. গভাই অমসুং কে.ভি. বিশ্বানাথনগী বেঞ্চ অমনা কবিতাগী মথক্তা সি.বি.আই অমদি এনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা থিগৎকদবা থবক লোইরে অমদি মহাক থা মঙারোম কষ্টদিদা লৈরক্লবনি হায়বদগী ঙসি বেল পীখি।

পনবা য়াই, বি.আর.এস. লুচিংবী কবিতা হৌখিবা মার্চ ১৫ হাইদ্রবাদতা লৈবা মহাক্কী ময়ুম বঞ্জারা হিলসদগী এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা ফাখিবনি। মদুগী মতুং তিহার জেলদা থমখিবনি।

জম্মুঃ জম্মু কাশ্মিরগী বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চে পীশিনবগী মতম ঙসি লোয়শিনখ্রে। স্ক্রুতিনি হয়েং পাঙথোক্কনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী

অরোইবা নুমিৎনা থা অসিগী ৩০ নি। তাঙ্কক অসিদা জিলা তরুক্কী সিট ২৪ গী ভোট মথং থাগী ১৮ দা থাদনগনি। অনিশুবা তাঙ্ককী মীখলনা সেপ্তেম্বর ২৫ অমসুং ওক্তোবর অমদা পাঙথোক্কনি। ভোট মশিংনা পুন্না ওক্তোবর মরিদা থিগনি।

মরক অসিদা, মীখল অসিগীদমক কংগ্রেসকী মীরেপ ৯ গী মিং য়াওবা লিষ্ট ঙরাং থোকখ্রে। মদুগী মনুংদা গুলাম অহমদ মির, দুরু বিধান সভা কেন্দ্রদগী মীখল থেংনগনি। অদুগা প্রদিব কুমারনা দোদা ৱেষ্ট বিধান সভা কেন্দ্রদগী মীখল থেংনগনি।

পাকিস্তান ঃ পাকিস্তানগী বালোচিস্তান প্রোভিন্সতা থোকখিবা তোঙান তোঙানবা হিংশাগী থৌদোকশিংদা মীওই ৭০ রোম শিখ্রে। লাসবেলা জিলাদা লৈবা বেলাগী মেজর হাইৱেদা গাড়িশিংদা তৌরকপা এটেক্তা মিলিটেন্ট ২১ য়াওনা পুলিস পার্সোনেল ১৪ শিখি। অতোপ্পা থৌদোক অমদা মুসাখেল জিলাদা লৈবা ইন্তর প্রোভিন্সিয়েল হাইৱে খুৎলায় পায়বা খরনা থিংজিনবগী থৌদোক্তা মীওই ২৩ শিখি। খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অদুনা হাইৱে অদুদা লাকপা গাড়িশিংদগী পেসেঞ্জরশিং কুমহনদুনা মখোয় মখোয়গী আই.দি চেক্য তৌরবা মতুং নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। লৈখিদ্রবশিং অদু পাকিস্তানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সকী মীওইশিংনি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা কলাটতা পুলিস পোষ্ট অমদি হাইৱেদা এটেক তৌরকপদা পুলিস পার্সোনেল মঙা য়াওনা পুন্না মীওই ১০ শিখি।

অমরোমদা, বোলান সহরদা লৈবা রেল ব্রিজ অমদা ঙরাং থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্কা মরী লৈননা কেতা তমা চৎপা রেলগাড়িশিং চেনখিদ্রে। বোম পোকখায়ফম মনাক্তা মীওই ৬ কী অশিবা হকচাং পুলিসনা ফংবা ঙমখি।

------